# ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে

ডা. চুঙ্খাম ইন্দিরা

**‘ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে’** অসি চহী খুদিংগী জুন ৫দা কুমজা ১৯৭৪দগী পালন তৌদুনা লাকপা অকোয়বগী ফীভমগা মরী লৈনবা মালেম শিন-থুংনা পাঙথোকপা অখন্নবা পালন থৌরম অমনি। নুমিৎ অসি কুমজা ১৯৭২দা ষ্টোকহোল্মদা পাঙথোকখিবা ‘য়ুনাইটেদ নেসন্স কনফরেন্স ওন দি হ্যুমেন ইনভাইরনমেন্ট’ তা মীওইবা অমসুং অকোয়বগী ফীভমগা লৈনবা মরী হায়দুনা ‘য়ুনাইটেদ নেসন্স ইনভাইরনমেন্টেল প্রোগ্রাম’ হায়বা এজেন্সি অসি শেমখ্রবা মতুং চহী অনীগী মতুংদা কুমজা ১৯৭৪গী জুন ৫দগী চহী খুদিংগী তোঙান তোঙানবা ইনভাইরনমেন্টকা মরী লৈনবা থিমদা য়ূম্বু ওইগদবা লৈবাক অদু ওন-ওন্দুনা লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্তুনা লাকই। ইহান হানবা ‘ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে’ অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী স্পাকেন্দা ‘ওনলি ৱান আর্থ’ হায়বা থিম অসিগী মখাদা পাঙথোকখি।

চৎলিবা চহী অসিগী ৪৫শুবা পালন অসি ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা ‘বিট প্লাষ্টিক পোল্যুসন’ হায়বা থিম অসিগী মখাদা পাঙথোক্লি। ইন্দিয়া অসি মালেমগী খ্বাইদগী হেন্না প্লাষ্টিক পুথোকপা অমসুং শীজিন্নবা লৈবাকনি। সেন্ত্রেল পোল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দকী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না নোংমদা ইন্দিয়ানা পুথোক্লিবা প্লাষ্টিক টন লিশীং তরামঙাগী মনুংদা লিশীং মাপনলোমদি রিসাইকল তৌদুনা অনৌবা পোখোক ওইনা শেমদোকপদা শীজিন্নে। অদুগা টন লিশীং তরুকলোমদি খোমজিনবা ঙমদনা ঐখোয়গী অকোয়বদা কোয়চাই-চাইদুনা লৈরি। রিসাইকল তৌবদা য়াওহৌদবা পোৎথোকশিং অসিনা লৈবাক লৈহাওদা কোয়চাই-চাইদুনা লৈবা নৎত্রগা ঈশিংগী ঈচেল কয়ানা পুথখিদুনা সমুদ্র, পাৎ-তুরেলনচিংবা কয়াদা তুংশিনফম ওইরি। সমুদ্রগী ঈশিংদা চেন্থরক্লিবা অমোৎপশিং অসিনা সমুদ্রদা তাংদুনা লৈবা জিব-পানবা, পাম্বীনচিংবা কয়াদদি অসুক্কী মতিক অমাং-অতা থোকহল্লি। মসিনা অমুক নাকোয়ননা মীওইবা অমদি অকোয়বগী ফীভমদা অহোংবা কয়া পুরকই। অসিদসু নত্তনা ইন্দিয়াদা শাদ্রবসু মপান লমদগী নারোন্দা পুশিল্লকপা হন্থবা থাক্কী রিসাইকল তৌবা য়াদবা প্লাষ্টিক্কী পোৎথোক কয়ানসু ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভম অসিবু অমুক্কসু হেন্না শোকচিলহল্লি। হৌজিক-হৌজিক অখঙ-অহৈশিংনা পানবদা কুমজা ২০৫০দদি চথুরিবা মোৎশিল্লকপগী চাং অসিদা অসুম চথুদুনা লৈরবদি সমুদ্রদা ফংবা ঙাদগীদি প্লাষ্টিক্কী শরুক্না হেল্লগনি হায়বসিনি।

অসিগুম্বা কয়া অসিবু লাকশিন্নবগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্নসু অখন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা প্লাষ্টিক্কী পোখোক পুথোকপা, শীজিন্নবা হন্থনবা অমদি রিসাইকল তৌবগী চাং হেনগৎনবা কন্না




হোৎনরি। অকোয়বগী ফীভমদা শোকচিল্লকপা থিংননবা মতম-মতমগী ওইবা প্লাষ্টিক্কী লেমখাকশিংবু অফবা মওংদা শীজিন্নবা য়ানবা থবক থৌরম কয়া অমসু পায়খৎলি। পূন্নমক অসিবু খঙবিবা ওইনা য়ুনাইটেদ নেসন্স ইনভাইরনমেন্টেল প্রোগ্রামগী মখাদা ‘ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে’ পালন অসিগীদমক ইন্দিয়াবু য়ূম্বু ওইননবা খনগৎলকপনি। ঐখোয় ইন্দিয়াগী নাগরিক পূন্নমক্কসু অকোয়বগী ফীভমবু নিংথিনা ঙাক-শেন্ননবা অমসুং মীয়ামগা পূন্না ৱাখল তামিন্ননবগীদমক থল্লিবা অখন্নবা নুমিৎ অসিবু পালন তৌফম থোকই। মরম অদুনা নুমিৎ অসি মীয়ামগী ওইবা নুমিৎনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

মালেমগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়ানা নুমিৎ অসিবু পালন তৌনবগীদমক থবক-থৌরম কয়া য়াৎতুনা থম্নখ্রে। লম-লমগী মতিক-মগুন লৈরবা মীওই কয়ানসু নুমিৎ অসিদা মাগী-মাগী ঙমজবা খরদং মীয়ামগীদমক কৎথোক্নবা থৌরাং তৌরি। য়াম্না পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওইবা অমত্তং পল্লবদা ফ্রান্সতা পোকপা অমেরিকাগী সিটিজন ওইবা মশাগী চহী ৫০ হেল্লবা ইরোইবদা মমিং চৎলবা বেন লেকোষ্টনা টোকিওদগী সান ফ্রান্সিস্কো ফাওবা পেসিফিক ওসিনবু মাইল লিশীং মঙা চামঙা হেন্না ইরোইদুনা লান্থোক্লগা তোঙান-তোঙানবা চাংয়েং কয়া পাঙথোক্লবগীদমক মে ২৭তগী ঈশিংদা খোঙদাবা হৌখ্রে। মহাক্না নোংমদা পুং ৮গী চাংদা ইরোইগনি অমসুং মহাসাগর অসিবু লানবদা থা ৬ হেন্না চঙগনি হায়না পানরি। মসিদা করিগুম্বা মায় পাকপা তারবদি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা অমসুং লুবা মহাসাগর অসিবু ইরোইদুনা লানবা অহানবা মীওই হায়বদু বেন লেকোষ্টনা ওইগদৌরি। মহাক অসি চহী ২০গী মমাঙদা কুমজা ১৯৯৮দা ইহান হান্না অটলান্টিক ওসিনবু ইরোইদুনা লানবা গিনিস বুক ওফ রেকোর্দতদি চনখিদবা মীয়াম্না শক খঙনবা মীওই অমনি। মহাক্না পাঙথোক্কদবা চাংয়েংশিংগী মনুংদা মশাদা য়াওবা মোবাইল রেদিয়েসন দিটেক্টর অমগী মতেংনা ঈশিংদা য়াওবা রেদিওএক্টিভ কন্টামিনেন্ট নৈনবা অমদি পেসিফিক ওসিন্দা অপীকপা মাইক্রোপ্লাষ্টিক কয়ানা মোৎশিনহনবগী মমিং চৎলবা ‘গ্রেট পেসিফিক গার্বেজ পেটচ’ লান্না ইরোইদুনা মফমদুদা ফংবা ঈশিংগী দেন্সিটি অমসুং মাইক্রোপ্লাষ্টিক্কী সাইজ ওন্দুনা ঈশিং পোল্যুসন নৈনবনচিংবা য়াওরি। অদুদসু নত্তনা মহাক্না ওসিন্দুগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদগী ঈশিং সেম্পল লৌদুনা পুরক্লগা চাংয়েং কয়া চথবদা মতেং পাংগদৌরি।

ইন্দিয়াগী ওইনসু পালন অসিগী মাঙওইননা ‘স্বাছ ভারত; ন্যু ক্লিন ইন্দিয়া’ হায়বা মিসন অসিগী মখাদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না টিম ১৯ শেমদুনা চাউরবা শেনফম কয়া থাদদুনা ইন্দিয়াগী মমিং চৎলবা সমুদ্র মপানগী বিচশিং, তুরেল খোংনুং অমদি পাৎনচিংবা অমোৎপা ঈশিংগী শরুক ওইবা মফম ৪৮ খনগৎতুনা শেংদোকপগী থবক চথবা হৌখ্রে।

হৌখিবা কুমজা ২০১৭কী ওগষ্ট ৩দগী হৌদুনা কেরলাগী কোল্লমদসু ঙা ফাবগী শিনফম ওইবা জেবিয়র পিটর, মহাক্কী হিরোইশিং অমসুং ঙা ফাবা মীওই লিশীং কয়ানা পুন্দুনা লৈঙাক্কী এজেন্সি কয়াগা খূৎশম্নরগা ঙা ফাবগা ইরোয়ননা সমুদ্রদা মোৎশিল্লিবা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম খুদিংমক লৌখৎতুনা মদুবু তোঙান-তোঙান খন্দোক্তুনা রিসাইকল তৌনবা য়ুনিট কয়া হাংদোক্তুনা অমদি রিসাইকল তৌবা য়াদবা কয়া অমনা প্রোসেস তৌদুনা লম্বী শেম্বনচিংবদা শীজিন্নদুনা মখোয়না ইমানি হায়না খঞ্জরিবা সমুদ্র অমসুং মসিগী অকোয়বগী ফীভমদা মোৎশিল্লক্লিবশিং অসিবু ঙাকথোক্নবা কন্না হোৎনরি। পালন অসি পাঙথোকত্রিঙৈ থা অমা মাঙওইননা ইন্দিয়া লৈঙাক্নসু লৈবাক অসিদা লৈবা প্রোটেক্টেদ এরিয়া খুদিংমক্তা ‘প্লাষ্টিক ফ্রী জোন’ লাউথোক্তুনা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম অমত্তা হায়রিবা মফমশিং অসিদা শীজিন্নবা য়াররোই হায়না লাউথোকখ্রে।

মণিপুরগীসু ইকুই কুইদনা মণিপুর ওল্দ সেক্রেটরিয়েট, ন্যু সেক্রেটরিয়েট, সেক্রেটরিয়েট গেট হাওস অহুম অসিসু ‘প্লাষ্টিক ফ্রী জোন’ নি হায়না লাউথোকখ্রে অমসুং উখ্রুলবুনা ‘প্লাষ্টিক ফ্রী টাউন’ নি হায়নসু লাউথোকখ্রে। লমদমসিগী মহৈ-মশীনগী ওইবা লোইশঙশিং, গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেটকী ওইবা ওফিস অমসুং ইষ্টাব্লিসমেন্ট কয়ানসু নুমিৎ অসিবু তরাম্না ওক্তুনা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরম পূন্নমক হান্ননা য়াৎথোক্তুনা থম্নখ্রবনি।

# বিট প্লাষ্টিক পোল্যুসন : মণিপুরদা শাবা পোৎলমশিংগীসু চন্নফম লৈরোইদ্রা?












ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী

**চাওখৎপগী** খোঙজেলনা অসুম অসুম য়াঙখৎলক্লিবগী মতিক মীওইবা অমদি অতৈ অতোপ্পা থৱায় পানবশিংগী হিংবদা পীরিবা চৈফু-চৈথেং অসিসু মীৎকুপকী হেনগৎলক্লি। ৱাখল লৌশিং হেনগৎ-হেগৎলগা মোরেল ভেল্যুসু নোংম-নোংমগী হন্থরকপগুম তৌরে। লাইরিক হৈবা মীগী মশীং হেনগৎলকপগা লোয়ননা লাইসু য়াওদবা/খঙদবা মীগী মশীংসু ৱাত্তে। ঐগী-ঐগী অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎ শেংহনবনা পুন্সিরোলগী মরুওইবা হীরম অমনি হায়না খনবা মী অসি মশীং ইৱাৎ ৱাৎপগুম তৌরি।

কুমসি চহী ২০১৮ অসি ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা ‘বিট প্লাষ্টিক পোল্যুসন’ হায়বা থিম অসিদা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে-২০১৮ জুন ৫দা পাঙথোক্কনি লাউথোকখিবসিমক ঐখোয়গী লাইবক ফরবনি। মসিগী মনিল মণিপুরদসু য়ৌরক্লি। ঐখোয়বু মীৎ মায় শিংহল্লিবা ‘বিট প্লাষ্টিক পোল্যুসন’ হায়বা ৱাহৈ অহুম অসি মীপূম খুদিংমক্কী মীত্তা উহনবা, নাকোংদা তাহনবা মথৌ তাই। মদুগা লোয়ননা চীনগা খূৎকা মান্নবগী মতমদু ওইরবনি। মসি হায়দোকপদা লায়বা, থবক ওইনা ওন্থোকপা মতমদা লুহনগে-লায়হনগে হায়বসি লৈঙাক অমসুং মীয়াম্না হোৎনবা অমা চঙই। ঙসিগী মালেম অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না শীজিন্নরিবা প্লাষ্টিক্কী চাং অসি অকিবা ফংনা ৱাংলবনি। পোৎ-চৈ হাপ্পবা খাউ, ঈশিং থক্নবা হাপ্পবা ক্লেগী প্লেট নৎত্রগা লফুলা, পুখম তেঙ্গোৎনচিংবগী মহুত্তা ফেঙবা-চান্বা নাইররোইদবা চাব-থকপা লোইরগা হুন্দোকখিবা য়াবা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম ওইনা অয়াম্বা ওইনা শীজিন্নরে। মীওই খরনা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং অদুগী মতম হেনবা হেন্দবা চেকশিন্না য়েংনরবসু অয়াম্বনা মদুগী ৱাখল থোইনা খনজিল্লুদে। থবক কোমগদবা, ৱাই শংগদবা থৌওং থৌচত্তুদা পূক্লিং হেন্না লূপশিনবগুম তৌরি। ঙসিগী মালেম অসিদা শীজিন্নরিবা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিংগী মনুংদা খাউ ওইনা চহী খুদিংগী চাউরাক্লা বিলিয়ন ৫০০ রোমনি হায়রি। মসিদসু নত্তনা মিনট খুদিংগী প্লাষ্টিক বোট্টল মিলিয়ন অমমম লৈবা য়োনবগী ৱাফমসু থম্নরক্লি। য়াম্না কিনিংঙাই অমদি খুদোংথীনীংঙাই ওইবা ৱাফমদি হায়রিবা মীপূম তিংনা শীজিন্নে হায়না লৌবা য়ারবা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং অসিগী চাদা ৫০ অমদি অমুক হন্না শীজিন্নবা য়াদ্রবশিংনি হায়রি। অসুম্না অকিবগী মশক ফংলবা পাউ অমদি পাৎ-তুরেল-সমুদ্রনচিংবদা প্লাষ্টিকশিংনা পীরক্লিবা অকনবা চৈফু-চৈথেং অসিনি। মালেমগী অখঙ অহৈ সাইন্টিষ্ট কয়ানা থিজিনবদগী ফংলকপা পাউদম Stuart Me Dil না ফোঙখ্রে। পাউদম অসিগী মতুং ইন্না পেসিফিক ওসিন অসিদা অকি তুজুংননবগী মশক ওইরবা প্লাষ্টিক্কী ঈথৎ অমা শেম্বগী ফীভমদা লৈরে হায়বা য়াই। হৱাই অমসুং কালিফোর্নিয়া অনীগী মরক্তা স্কার মাইল ৬,০০,০০০ হেন্না পাক চাউরবা মফমদু ফত্তবা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিংনা মফম কনশিন্দুনা থল্লি। মসি কয়ামুক য়াম্না শোকহনবা অমদি শোকহনগদৌরিবসি কনাদনো হায়বদু হংলুদ্রবসু পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি।

মণিপুরদা প্লাষ্টিক শীজিন্নবগী ৱাফম অসিসু অনৌবা ইস্যু অমা নৎত্রে। য়ূম-য়ূম, লৈঙাক অমসুং লন্নাইগী লোইশঙশিং, দুকানশিং পোৎলম অসিনা য়ৌদবা মফম লৈশিল্লক্ত্রে। কনাগুম্বনা হায়গনি,

‘খরা হাকমল্লে, হান্নদি প্লাষ্টিক শীজিন্নরক্তে। অদুম্মক শিদে হিংদুনা লাক্লিবসিনি।’

‘চাওখৎলকপা হায়বদুদি ’সি ঙাক্তনি, পুন কায়গনবদুগী মহুত্তা প্লাষ্টিক বুংসিনা মফরে।’

কনাগুম্বা কনাগুম্বী খরগী পাউখুমনি।

হায়দোকপা অমদি তাবদদি ইচম-চম্বগুম্না খনবা, খন্থরুরগদি লৈবাক মীয়াম হুপ্না তিনবা মফমদা পুখৎলগা খন্ন নৈনবা য়াবা হীরম অমনি। ঐখোয়দি মীগী পোখোক য়াম্না পামগল্লি। অনৌববু খোয়দাদবা কনা য়াওবগে। মতম অমদা য়ূম খুদিংমক্তা ৱা হৌরম্মী। নুপা অয়াম্বা পয়া শিবা হৈরম্মী। পোলাং মখল কয়ামুক শাবা হৈবা মীগী মশীং চীং-তম অনীমক্তা ৱাৎলমদে। পোলাংশিংগী মনুংদা এঙ্গাং-নাপি, মরোয়-মপাংনচিংবা চান্নবা পোলাং শিংথাবা য়াই। হৌজিক্তি উবা ফংজিল্লক্ত্রে, মোরেদগী লৈরুবা প্লাষ্টিক পোলাংনা মাগী মথৌ মুনবীখ্রে। মসিখক্তমক নত্তে চাকউপকী (লী ৱানা শাবা) মথৌসুনি মানা মুনবীখ্রিবসি। তাবুদা, চাবোক্তা ফিরোল হাপ্পরম্মী মতম অমদা। চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না উগী উপু, ষ্টিলনচিংবা হৌজিক্না প্লাষ্টিক্কী। ঈশিং পুন খিনবা ইমুং কয়া য়াম্না লৈরিবগে লমদমসিদা প্লাষ্টিক টেঙ্ক মখল মথেলগী মমিং লৈরবা ফেক্টরিশিংদগী পুথোরকপা। উগী খুদেংদগী, তিনগী, মথং মথংদা মমৈথংদা প্লাষ্টিক্কী। ‘মরিংনা শাবা শঙবাইবু নাম হাঙবা হৌনবরা?’ কয়াদা নুংশিখ্রবা মরিং ফুরুপ্পা মপূং ওইনা শাবা থুমোক মখল অসিনা চেংদাই ফৌদাইবা, ৱানবদা চোয় চাং ওন্নবা পাম্বৈ ওইনা শীজিন্নরম্মী। চীং-তম অনীগী মফমশিংদা খুন্দারিবা ফুরুপ খুদিংমকপু অমত্তা ওইবা লিপুন্না পুনশিল্লিবা লী ৱানা শঙবাইনি। মসিদসু নত্তে, নীংলৈ লীখায়, লাইতং, চেঙ ওন্নবা মেরুক্লচিংবা পোৎলম কয়ানি। ঙসিদি শঙবাই লীখায়গী মহুত্তা প্লাষ্টিক খাউনা শিনখি। ইরমদমসিগী ইপা-ইপল, ইবুং-ইপ্পাশিংনা শাবা পোখোকশিংসিগী মথক্তা মপান্দগী পুশিল্লকপা তমথীরবা প্লাষ্টিক পোৎলমশিং লান্দাশিল্লক্লি।

ঐখোয়গী ৱাখলদা লানবন শেমদুনা লান ঙাক্কে হায়বসু খল্লুদে অসুম অসুম তকশিল্লকই প্লাষ্টিক্লা লাঙ্গোই চনশিনখ্রে। লমদমসিগী খূৎহৈবশিংগী হিংননবা লম্বীদা অকিবা ৱাংলবা পঞ্জাউ অমা নত্তবরা? শেন্থোক লম্বী শেমগৎপীবা ৱাৎপা লমদম অসিগী শেল মপাল্লোমদা লেপ্পা লৈতনা চেন্থোকখিবসিদা করিসু নাচুংদনা লৈথোক্লি ঐখোয়। মীগীদমক হুমাং শীন্থরি, ফি তাখত্তুনা নোম্লি।

কৈথেল ইমাশিংগী শিনফম লুকমায় পানবী হায়নসু খঙনবনি। লী-ৱাগী পোৎলম্না শাবা লুকমায়দা পোৎ থেল্লগা য়োনবী, লুবাক্তা পোৎচৈ হাপ্লগা পুবী ইমা, ইচে, ইনাওগী মশীং কয়া লৈরিবগে? পোৎ লৈবা চৎপদা কনানা থুমোক, পোলাং পুরগা চৎপীবগে? পুরুবীশিংদো ইচু তিন্দবীনি হায়না নোক্লবীবসু য়াই। মীয়ামগী ওইবা চাক্লেন কৎপদা ফাওবা মথং মথং হোংলক্লি। লফুলানা শেম্বা চাক্লুক্লাদগী ষ্টিল পুখম, মদুদগী চাক্লুক্লাগী মওংদা শেম্বা, অশংবা মচু শঙজিনবা প্লাষ্টিক কোট তৌবা ‘চাক্লুক্লা’। লাকোয় শেল্লগা হাপ্লম্বা লুহোং-খোঙদোং, শোরাৎনচিংবগী ক্বা প্লাষ্টিক্তা। হায়নৈ অয়াম্বনা,

‘থৌ শম্মী, মসিনা মফরে।’

কনাগুম্বা খরনা হায়, “ঐদি পামজদে, ফজদে, লেমজদে। লাকোয়দা ফজরেমখৈ য়ৈখৎপদুনা য়েংবদা লুম-লুম লাউনা উই।’ মসিসু তাশিনবা য়াবা ঙাক্তনি। তৌববুদি প্লাষ্টিক্তা ক্বা হানবা পামজদবা মখোয়গীদু চৎনরোল, নাৎপু নুংশিজবগী ৱাখল্লোননি। মখোয়না প্লাষ্টিক্কী অমাঙবশিং ফত্তবশিংদু মমুৎ তানা খঙলগা হায়বা ওইরমগদরা হায়বসি ৱাহং অমা ওইরি। মতম অমদা ঙারী, হেন্তাক ৱাগী উতোংদা নম্লগা থম্নরম্মী। মতুং তারকপদা চফুদা হৌজিক্লা চেরংদা। য়াংকোকসুনি, প্লাষ্টিক্কী য়াংকোক শীজিন্নবা হৌরকই। প্লাষ্টিক ফক্লা কৌনা অমদি চুমথাঙ ফক্কী মহুৎ শিল্লকপা, প্লাষ্টিক চৌক্রিনা ৱাই চাইবগুম চাইরকপা মতমগী খোঙচত্তা লাকপা অওনবনি। অসুম্না প্লাষ্টিক য়াওদ্রবদি পুন্সিসে হিংবা ঙম্লরোইদবগুম খন্নরক্লবা মতমনি হায়বা য়াই।

অখঙ অহৈ সাইন্টিষ্টশিংনা থিজিন হুমজিনবদগী খঙলকপা প্লাষ্টিক শীজিন্নবনা মহৌশাগী ফীভমদা অকায়বা থোকহনবগা লোয়ননা পীরক্লিবা অকিবা চৈথেং অসি কিরে-কিরে হায়দুনা কপ লাউদুনা অসুম্মক লৈরসিরা? ঐখোয় মীওইবদি ব্রহ্মামক্লা পোকঙমদবা অথোইবা মপোকনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা তাকপীরম্মী। মরম অদুনা মালেম অসিবু কনবা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌনি। ঐখোয় পূন্নমক কোক চুংশিন্নফম থোকই। অকিবসি ইরমদম মণিপুরদসু য়ৌরক্লবনি। মসি হায়দুনসু খংথা থাদোক্লসি হায়বমক্তি নত্তে। মহুৎ শিনবা য়াবা করি লৈরিবগে হায়বদু থিদোকমিন্নসি হায়বনি।

মতম অমদা মণিপুরগী চীং অমসুং তমদা লী-ৱাগী পোৎলমশিং অসি মরাং কায়না শীজিন্নরম্মী। মসিনা শেন্মীৎলোন, লাইনীং লীচৎ, নাৎকী ওইবা হীরম কয়াগা শাগোন্নদুনা লাকখি। অদুবু ঙসিদি পোৎলম অয়াম্বা তপ্না তপ্না প্লাষ্টিক্লা মহুৎ শিনখিদুনা মীরোল খরগী তুংদদি পুম্মাঙ মাঙখিবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। পোৎলমশিং অসি কনবগা বিট প্লাষ্টিক পোল্যুসনগা মরী লৈনহনবা য়াই। মসিনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন চাওখৎহনবদসু অচৌবা মতেং ওইগনি। নাউরী অমনা উচেক অনী পানবগী কান্নবদুনি। অদুবু থবক ওইনা পাঙথোকপদা ওইথোকপা য়াননবা লম্বী অদু য়াৎননবগীদমক ঐখোয় পূন্নমক্লা কূপ্না খন্নমিন্নবা মথৌ তারি। লী-ৱাগী ইন্দষ্ট্রি অচৌবা কয়া অনৌবা টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা লীংখৎপা তাবনি। মরমদি হান্না লৈরম্বা হেন্দিক্রোফট অদুনদি মালেমগী থাক্তা পুখৎপা ৱানা থোক্কনি। মদুদা মচাকশিংদি কমদৌবা? মচাকশিংগীদি ৱারুনীংঙাই ওইদে। মণিপুরগী লৈহাও লী অমসুং ৱা মখল কয়াগা চুনবা লৈহাওনি। অমরোমদা য়োনফম কৈথেল ফংবা ঙম্নবা হোৎনবা চঙলি। পূন্নমক অসি হোৎনবা অমসুং থৌনাগী মখা পোল্লি। লৈঙাক্কী য়াম্না শান্না য়েংবা মীৎয়েং মখাদা শেম্বা তুং কোয়না চৎনগদবা থৌশিল শেম্বদা পূক্লিং চিংশিনহন্নীংই। হীরম অসিদা খঙ হৈরবা মীওই কয়াগী মতেং লৌদবা য়ারোই। মদুগা লোয়ননা খুঙ্গংশিংদসু হান্না লৈজরম্বা লী অমসুং ৱাগী পোৎলমশিং পুথোকপদা পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা লন্নাই মীওইশিং নৎত্রগা কো-ওপরেটিভ সোসাইটিশিংদা শেন্থং থাদবা অমদি পোখোকশিং অদুবু শেন্দোং লৈনা য়োন্ননবা থৌশিল শেম্বা মথৌ তারি। মদুদসু নত্তনা মীয়ামদা লী-ৱাগী পোৎলমশিং শীজিন্নবগী কান্নবা অমসুং প্লাষ্টিক শীজিন্নবগী অমাঙবশিং অসি মমুৎ তানা খঙহনবগী মতম অদু ওইরবনি। হান্নগী লৈরম্বা মশক মওং অদুমক শীজিন্নদবা য়াদে হায়বা নত্তে। পায়বদা, পুবদা খূৎলোয়গদবা, য়েংবদা ফজবা, মীয়াম্না পাম্নবা অনৌ অনৌবা কয়া পুথোক্লবদি শেন্দোং লৈনা য়োন্নবা কৈথেল মরাং কায়না ফংবা ঙমগনি। খুদম ওইনা হায়রবদা কৈথেল নৎত্রগা দুকান্দগী পোৎচৈ, এঙ্গাং-নাপি, হৈ-রা, ফিরোলনচিংবা লৈবা চৎপদা শীজিন্ননবা পায়ফম মনা পানবা অয়াঙবা খাউগী মওং মানবা পুথোকপা য়াই। ফজবসু হেনগনি। করিগীদমক প্লাষ্টিক্কী য়াংকোক শীজিন্ননীংলিবনো? লৈবাক্কী চফু, গল্লা, শেনফু, কন্বীনচিংবা শাবা অমদি পোৎলমশিং অসি মরাং কায়না পুথোকপা খুঙ্গং কয়া হায়বদি থোংজাও, চাইরেন্নচিংবা কয়া লৈ। অনৌবা মওং হায়বদি কায়গন্দবা, মশক মচু ফজবা লৈবাক্কী পোৎলমশিং পুথোক্লবা অনৌবা টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা মওং তাবা ইন্দষ্ট্রি লীংখৎপদা কান্নবা শোয়দনা ফংফম থোকই। স্কুল, কোলেজনচিংবা মহৈ তম্ফমশিংদা সবজেক্ট অমা হাংদোকপা, ত্রেনিং সেন্তরশিং লীংখৎপগী তঙাইফদবদু লৈরে। মসিনা মালেমদা অকিবা পীরিবা প্লাষ্টিক শীজিন্নবা খরমখৈ হন্থহনবসু য়াই। লোয়ননা শেন্মীৎলোন্দা চাওখৎপসু পুরক্কনি। মতৌ অসুম্না প্লাষ্টিক্কী পোৎলম থিংবদা অচৌবা কান্নবা মতেং পীগদবা লী-ৱাগী অমদি লৈবাক্লা শাবা পোৎলমশিং পুথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নরসি। মসিনা বিট প্লাষ্টিক পোল্যুসনগী পান্দম ফংহনবদা মণিপুরসু মরু ওইবা থৌদাং খরমখৈদি লৌবা ঙমগনি।

